## দোকুম্যেন্ট সবমিট তৌগদবনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (ঐচএনএস): এম এস আর টি সীগী রিপত্রিতেদ ইমপ্লোয়ী ১০ গী পি পি ও/দোকুম্যেন্টশিং থা অসিগী ২০ ফাওবগী মনুংদা দিরেক্তোরেট ওফ ত্রান্সপোর্টতা সবমিট তৌরক্কদবনি হায়না ত্রান্সপোর্ট দিরেক্তরনা থোকপা নোটিফিকেসন অমনা হায়রি। নোটিফিকেসন অদুনা হায়, পি পি ও/দোকুম্যেন্ট সবমিট তৌরক্কদবা রিপত্রিতেদ ইমপ্লোয়ীশিং অদুদি এন নাকৌ (মেনেজর), এস খেলেন্দ্র (য়ু দি সী), পি প্রমোদিনি (য়ু দি সী), লোসো লারহো (মেকানিক-থ্রি সেনিয়র), এস ইবোচৌ (মেকানিক-থ্রি সেনিয়র), এমদি অব্দুল সত্তর (ক্লিনর), শ্রীভানাথ দুম (স্বীপর), টিঐচ হেরামোট (কন্দক্তর), টি গিনজালম জৌ (চৌকিদার) অমদি এম সী মার্চুং (গেট কীপর) নি হায়রি।

## এৱেয়রনেস কেম্প্যেন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (ঐচএনএস): গ্যাস শীজিন্নদুনা ইনভাইরোনমেন্টকী শক্তম কনবা অমদি ক্বালিটি লৈবা পোৎশক শীজিন্নদুনা অশোয় অঙাম থোক্তনবা গ্যাসকী মরমদা মীপুম খুদিংমক ৱাখল তামিন্ননবা এৱেয়রনেস কেম্প্যেন অমা ঙসি কাংচুপ চিরু বেপটিষ্ট চর্চতা পাঙথোকখ্রে।

ওল গ্যাস ক্যেয়র (এ জি সী) না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা এৱেয়রনেস প্রোগ্রাম অদুদা রিসোর্ছ পর্সন ওইনা এ জি সী মণিপুর ষ্টেটকী মেনেজর এসঐচ জয়প্রকাসনা ফোঙদোকখিবদা গ্যাস শীজিন্নদুনা হোংলক্লিবা মহৌশাগী শক্তম কনবা অমদি ক্বালিটি লৈবা পোৎশক শীজিন্নদুনা মৈহৌ লাংপোক থোক্তনবা মীপুম খুদিংমক মাঙজৌননা ৱাখল তামিন্নবা চঙই। গ্যাস শীজিন্নবদা থওইদবা কয়াদগী মফম কয়াদা মৈহৌ লাংপোক থোকখিবগী পাউ লৈরে। এৱেয়রনেস অসিগী খুদোংচাবা ফঙলবা মীয়াম্না অশোয় অঙাম য়াওদনা গ্যাস শীজিন্নবদা তঙায়ফদবা গাইদলাইনশিং ইনবা তঙায়ফদে। মখা তানা খঙনিংবা কয়া লৈরবসু অখঙ অহে কন্টেক তৌরগা খঙমিন্নবগী খুদোংচাবা লৌবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

## ৱাঙু তেরাখোংগী উপ-প্রধান খনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (ঐচএনএস): ৱাঙু তেরাখোং গ্রাম পঞ্চায়টকী ৱার্দ নম্বর ১ দা মেম্বর ওইনা মায় পাক্লবা বিনোদ লোইতোংবমবু গ্রাম পঞ্চায়ট অসিগী য়েৎনবা লৈতনা কারবা মেম্বর মাপলনা শৌগৎতুনা ঙসি উপ-প্রধান ওইনা খনখ্রে।

উপ-প্রধান খনবগী মীটিং অমা ঙসি নুমিদাং গ্রাম পঞ্চায়ট অসিগী মনুং চনবা ৱার্দ নম্বর ১০ সগোলপাৎতা পাঙথোক্তুনা মেম্বর পুম্নমক্না নৌনা খল্লবা উপ-প্রধান অসিবু য়াইফ মঙ্গল পীবগা লোয়নননা গ্রাম পঞ্চায়ট অসিগী তৌগদবা চউখৎ থৌরাংশিংগী মতাংদসু খন্নখি।

## নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি

ওক্টোবর ৭ তা পাউচে অসিগী লামায় ৩ দা *ট্রান্সজেন্দরশিংবু লান্না উবীগনু* হায়বা হেদলাইনগী মখাদা ফোঙখিবা পাউ অদু সিনে মেক-অপ আর্টিষ্ট এন্দ কষ্টমস দিজাইনরস গিল্ড মণিপুরনা এদিটরস গিল্ড মণিপুরদা পাউ ওইনা ফোঙবা য়াব্রা হায়বা য়েংবীনবা থারকখিবা চেরোলনি। পাউ ফাওনহৌদবদগী পাউ ওইনা ফোঙখিবগীদমক এদিটরস গিল্ড মণিপুরনা নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি। পাউ অদু কনাগুম্বা লূপ নৎত্রগা মীওই অমদা লান্না উহন্নবা ফোঙখিবা নত্তে হায়নসু এদিটরস গিল্ড মণিপুরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

**GAS TODAY**

**MAIBIA GAS, MOIRANG**
Booking Upto:05/07/2017
Valid From:28/06/2017
**SL.NO. 9361**
***Stk :306***
Timing:07.00am to 11.00am

**MANIPUR GAS SERVICE**
Booking Upto:11/06/2017
Valid From:09/06/2017
***Stk :306 (DBTL)***
Timing:07.30am to 09.30am

**KHUMBONG INDANE**
**SL.NO. 16701**
Booking Upto:27/07/2017
Valid From:27/07/2017
***Stk :306 , 753.50/-***
Timing:07.30am to 10.30am

**KHURKHUL HEIKHAM INDANE GRAMIN VITRAK**
Booking Upto:25/08/2017
Valid From:11/08/2017
***Stk:270***
Timing:08.00am -12.00 noon

# অহানবা ওইনা সিলচরদা মণিপুরী দিজিটেল ফিল্ম *ফিশাখোল* রিলিজ তৌখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (ঐচএনএস): সিলচরগী রজিব ভবন ওদিটোরিয়মদা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা মণিপুরী দিজিটেল ফিল্ম *ফিশাখোল* রিলিজ তৌখ্রে। ফিল্ম অসিনা বরাক ভেল্লিদা রিলিজ তৌবা অহানবা মণিপুরী ফিল্ম ওইরে।

*ফিশাখোল* হায়না মীংথোনবা ফিল্ম অদু রিলিজ তৌবগী থৌরমদা অসাম য়ুনিভর্সিটিগী লেঙ্গ্যুষ্টিক দিপার্টমেন্টকী হেদ ডা. খুমুজম ধিরেন, থিয়েটর এক্তিভিষ্ট সোমোর লুৱাং, অসাম য়ুনিভর্সিটিগী মণিপুরী দিপার্টমেন্টকী এসিষ্টেন্ট প্রো. ঐচ রাজমনিনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা মণিপুরী ফিল্ম এক্তর অশোক শলৈবম, ওল অসাম মণিপুর ষ্ট্যুদেন্টস য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট, ফিশাখোল ফিল্মগী দোনর পাঙম্বম নিলকান্ত অমদি সী ও সী পি আই এনগী সেক্রেটরি ডা. রাজু খুমুজমনা থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাংখি। থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা এক্তর অসোক শলৈবমনা ফোঙদোকখিবদা, *ফিশাখোল* হায়না মীংথোনবা ফিল্ম অসিনা খুন্নাইদা নুংশি-চানবগী পাউজেল শন্দোক্লি। কলচরেল অমদি ইথনিক সিন কয়া য়াওরি হায়নসু মখা তাখি। ফিল্মগী মমীং লৈরবী এক্তর নর্মদা শৌগাইজমনা ফোঙদোকখিবদা, বরাক ভেল্লিদা খুন্দারিবা মণিপুরীশিংনা মণিপুরী ত্রেদিসন অমদি লোল ঙাক্না চৎপা উবদা নুংঙাইবা ফাওই। *ফিশাখোল* হায়রিবা ফিল্ম অসিনা অফবা মায়কৈদা চৎকনি হায়বগী থাজবা লৈ। মণিপুরদা লৈরিবা মণিপুরীশিং অমদি মণিপুরগী মপানদা লৈরিবা মণিপুরীশিংগী মরক্তা নুংশি-চান্নবগী মরী শাগৎপা তঙায়ফদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মণিপুরদগী ফিল্মগী মীওইশিং অশোক শলৈবম, রেদি য়ুম্নাম, নর্মদা শৌগাইজম, কবোকলৈ ইনাওচা অমদি জেনি তোংসু শরুক য়াখি। *ফিশাখোল* হায়রিবা ফিল্ম অসি শলৈবম অঙৌম্নানা পুথোকপনি। দিরেক্সন্না জিতেন্দ্র নিঙোম্বনা পীবনি হায়নসু মখা তারি।

# স্কুল এদ্যুকেসনদা তঙাইফদনা মমালোন তমহনগদবনি : ভেনকায়া নাইদু

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১৫(এজেন্সী): ষ্টেট খূদিংমক্কী স্কুল এদ্যুকেসনদা তঙাইফদনা মমালোন তমহনগদবনি হায়না ইন্দিয়াগী ভাইস প্রসিদেন্ট এম ভেনকায়া নাইদুনা ফোঙদোকখ্রে।

অহমেদবাদতা ডো. বি আর অম্বেদকর ওপন য়ুনিভর্সিটি (বি এ ও য়ু) অমদি ইন্দিরা গান্ধী নেসনল ওপন য়ুনিভর্সিটি (ইগ্নৌ)না খূৎশম্নরগা 'দি জর্নি ওফ ইন্দিয়ন লেংগ্বেজেজ : পর্সপেক্টিবস ওন কলচর এন্দ সোসাইটি' হায়বা হীরমদা নুমিৎ নীনিগী ওইবা ইন্টরনেসনল কনফরেন্স হৌদোকপগী থৌরমদা ভেনকায়া নাইদুনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা গুজরাটকী এদ্যুকেসন মিনিষ্টর ভুপেন্দ্রসিনহা চুদাসমাজি, হায়র এন্দ টেক্নিকেল এদ্যুকেসনগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি অঞ্জু শর্ম্মা, বি এ ও য়ুগী ভাইস চাঞ্চেল্লর ডো. পঙ্কজ বানি, ইগ্নৌগী ভাইস চাঞ্চেল্লর ডো. রবিন্দ্র কুমার অমসুং অতৈ শক্নাইরবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

ভাইস প্রসিদেন্টনা হায়খি, লোল হায়বসি খুন্নাই অমগী থৱায়নি। নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী হৌনা মীয়ামগী ৱাখল্লোন অমসুং পূক্নিংগী ৱা ফোঙদোকপদা লোলগী মতেং লৌদুনা লাক্লি। অঙাংশিংনা মহৈ মশিন তম্বা হৌগৎলকপদা তঙাইফদনা লোল অমা নীংথিনা খঙহন্নবা হোৎনদবগী মওং অমা উবা ফংলি। মসিনা মরম ওইরগা মতুং তারকপা পূন্সিদা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিন তম্বদা খূদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্নরি।

ওপন য়ুনিভর্সিটিশিংনা মীয়ামদা পাক শন্না অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিন তম্নবগী খূদোংচাবা পীরি। মরুওইনা নুপী অমসুং থবক তৌরিবা মীওই-শিংদা মশাগী খূদোংচাগদবা মতমদা মহৈ তম্বা ফংহল্লি। লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈরিবা মীওই মিলিয়ন কয়াদা হায়র এদ্যুকেসনগী মঙাল ফংহন্নবা হোৎনবদা বি এ ও য়ু অমদি ইগ্নৌনা লৌরিবা থৌদাং শীংথানিংঙাই ওই হায়নসু ভাইস প্রসিদেন্টনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## হারগী সবসিদি দাইরেক্ট বেনিফিট ট্রান্সফর তৌরগনি

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১৫ (এজেন্সী): থা অসিদগী হৌনা মিজোরাম অমদি নাগালেন্দ য়াওনা অপীকপা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি তরেৎতা হারগী সবসিদি দাইরেক্ট বেনিফিট ট্রান্সফর (দি বি টি) তৌরগনি হায়না সিনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে। ওক্টোবর ১ দগী হৌনা ফর্টিলাইজর সবসিদিগী দি বি টি থবক্তা ওন্থোক্কদৌরিবা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি তরেৎ অদুদি, মিজোরাম, নাগালেন্দ, দিল্লি, পুদুচেরি, গোৱা, দামন এন্দ দিয়ু অমসুং দাদ্রা এন্দ নগর হভেলিনি। হীরম অসিগী মতাংদা ওফিসল অমনা হায়খি, লৌমীশিংদা অৱাবা মায়োক্নহন্দনবগী পান্দমদা অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। থৌরাং অসিগী মখাদা লৌমীশিংনা সবসিদাইজ রেটতা ফর্টিলাইজর লৈরগা লৈঙাক্না কম্পেনিশিংদা সবসিদি পীগনি। চাকথোং গ্যাসকী মতাংদদি কষ্টমরশিংনা কৈথেলগী মমলদা গ্যাস সিলিন্দর লৈরগা লৈঙাক্না সবসিদিগী শেনফম অদু কষ্টমরগী বেঙ্ক একাউন্টতা কোন্না অমুক হাপচিনবনি হায়রি।

## লাগাও থিংবীয়ু

*লামায় ১গী মখা...* তৌবদগী মনাক নকপদা লৈবা মীওই কয়ামরুম পোথাবা ফংনদ্রে। লাগাও খাউরিবশিং অদুদা তৌগনু হায়রুরবসু খূদোংথীবা মায়োক্নগদবা মরম্না লোগী থোঙদা মরী লৈনবা ওঠোরিটিনা ৱারকপীননবা থবক লৌখৎপীয়ু হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

বোম পোকখায়বা য়াওনা পামদবা থৌদোক থোরক্কদ্রা হায়বগী মীপাইবা লৈবা মরম্না হরাউ-কুম্মৈগী মিংদা পাঙথোকপা জ্বারশিং অসি থিংননবা লৈকায়-লৈকায়গী ক্লব অমসুং মৈরা পায়বীশিংনসু থৌদাং লৌবীয়ু হায়রি।

## জিরি লম্বীদা ৱিঙ্গর গুরুং চৎপদা...

*লামায় ১গী মখা...* অদুদা শোক্লবা পিবা অদুদি বি. ৱিফ্যুবৌ (২৮) অপোকপা রামকুজিং কৌই। মহাক তামেদগীনি। চনু অদুনা নাউমী (২৬) কৌই। মহাক মিজোরামদগীনি হায়রি।

মখোয়গী মনুংদা খ্বাইদগী ফীভম থীনা শোকপদা নাউমী কৌবা অমা য়াওরি। মহাক্কী য়েৎথংবা পাম্বোমগী শরূ তেকপদা নৎতনা থবোম্বীসু শোকই হায়রি। মহাক জেনিমস হোস্পিটালদা লায়কন্নরল্লবা তুংদা হৌজিক্না রিমস হোস্পিটালদা মখা তানা লায়েংলি। থৌদোক অদুদা শোক্লবা মীওই অমনা ফোঙদোরকপদা, মখোয়না এক্সিদেন্ট থোক্লবা মতুং পুং ৩ লোম কান্নরগা অৱাং খুলদা লৈবা ১৪শুবা সিখ রেজিমেন্টকী কাঙবু লাক্লগা অমদি নোনে পুলিসকী টিম লাক্লগা নোনেগী প্রাইমারী হেল্থ সেন্টরদা মীওই ১২ লায়কন্ননবা পুখৎখি। মতুংদা খরা থিনা শোকপা মীওই তরেৎ অদু ইম্ফালগী জেনিমস অমদি রিমস হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরি।

## মাস কেজ্যুএল লিভ, সিজ ৱার্ক ...

*লামায় ১গী মখা...* কঞ্জুমরস এফেয়র্স ফূদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন, দি আই পি আর, ইকনমিক্স এন্দ ষ্টেটিষ্টিক্স, পি দব্লিয়ু দি, পি ঐচ ঈ দি, ফিশরিজ, গভর্ণর'স সেক্রেটরিয়েট, মণিপুর পুলিস, হোম, হোর্টিকলচর, লো এন্দ লেজিসলেটিব এফেয়র্স, মাইনর ইরিগেসন, এম এস পি সী এল, ইনভাইরোনমেন্ট, ফেমিলি ৱেলফেয়র, লোকল ফন্দ ওদিট/ইন্সটিট্যুসনেল ফাইনান্স/ স্মোল সেভিংস/টেক্সেসন/এক্সাইজ, প্লান্নিং, প্রিন্টিং এন্দ ষ্টেসনরি, রেভিন্যু, ট্রাইবেল এফেয়র্স এন্দ হিলস, ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি, ভিজিলেন্স, ৱেথ এন্দ মিজরস, রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট, লেবর, জি এ দি, এম পি এস সী, মহুদ, সেরিকলচর, সোসল ৱেলফেয়র, এস সী ঈ আর টি, টাউন প্লান্নিং অমসুং ষ্টেট একাদেমি ওফ ট্রেনিংনচিংবা দিপার্টমেন্টশিংগী মকোক্না মশা-মশাগী দিপার্টমেন্টতা হৌজিক লৈরিবা পোষ্টকা মরী লৈনবা ইনফোর্মেসন ফিটমেন্ট কন্মিটিদা পীশিনগদবনি। হায়রিবা দিপার্টমেন্টশিং অসিগী ইমপ্লোয়ী এসোসিএসনশিংসু মথক্তা পনখ্রিবা ৱাফম অসি ঙাক্না চৎকদবনি হায়না চেরোল অসিনা অরোইবদা ফোঙদোক্লি।

## লালহৌলূপশিংনা কৌখিবা ...

*লামায় ১গী মখা...* চন্না ফম্বা উখি।

ইন্টর ভিলেজ রোদতা সর্ভিস তৌরিবা গাড়ীশিংসু চেন্নখিদে। দিষ্ট্রিক্ট অমগা-দিষ্ট্রিক্ট অমগা ফাওনদুনা চেনবা গাড়ীশিংসু সার্ভিস লেপখি। ইন্টর ষ্টেট বস সার্ভিস লৈখিদে। অদুমওইনমক ফ্লাইট সার্ভিসতি মহৌশাগুম্না লৈখি হায়রি।

বন্দ অসি তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট মরি ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুরনচিংবদা য়াম্না চাওনা চৈথেং ফংখি। পামদবা থৌদোক থোক্তনবা সিক্যুরিটিনা মফম কয়ামরুমদা চেকশিন্না ঙাক শেনখি। হরাও কুম্মৈ, লিলা দ্রামা অমদি ঈশৈ নোংমাইনচিংবা তৌখিদে।

## ষ্টেটশিংগী ঙমখৈদা অহোংবা ...

*লামায় ১গী মখা...* গভর্নমেন্ট নৎত্রগা মণিপুর গভর্নমেন্টনা চিংনবা ৱাফম লৈরবদি সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকা পাউ ফাউনদুনা লৌখৎলিবা থৌরাং অসিগী মতাংদা মরিক চুম্বা ৱাফম খঙবা য়াগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, মমাংদা পাল্লম্বা অসাম গভর্নমেন্টতা হীরম অসিগা মরী লৈননা ৱারী শানসি হায়না হৌনবী মতুংইন্না চেবাউ পীখি অদুবু অসাম গভর্নমেন্টনা মীহুৎ অমত্তা থারকপা লৈখিদে। অকোনবদা ষ্টেট এসেমব্লীগী মীখল নকশিল্লকপা মরম্না মীহুৎ অমত্তা থারকপা ঙম্বগী ফিভম লৈত্রে হায়না ফোঙদোরকখি।

ইন্দিয়া গভর্নমেন্ট অমদি এন এস সী এন (আই-এম) গী মরক্তা অরোয়বা ৱারোইশিন পুরক্নবগীদমক গ্রেটর নাগালিম শেম্বদা অসামগী লম শরুক য়াম্না য়াওগনি হায়না হন্দক মরক রিপোর্ট খরনা ফোঙনরকখি। লাক্কদৌরিবা খৃষ্টমাস নুমিৎতা এন এস সী এন (আই-এম) অমদি সেন্তরগী মরক্তা ফাইনেল একোর্দ সাইন তৌনগনি হায়বা ৱাফম অমসু ঙাংনরকখি।

হীরম অসিগী মতাংদা রবিনা হায়খি, কনাগুম্বা খরনা মীয়াম্বু চমম্নবা পোকহন্নবগীদমক অরানবা পাউ শন্দোরকপদা মীয়াম্না থাজবা তৌরোইদবনি। মমাংদসু অসিগুম্বা মখলগী তোকঙা কয়া শন্দোরকপা লৈখ্রে। সেন্তরগী ফিরেপতি নাগাগী ৱাথোক লোয়শিনহন্নবা হোৎনবদা অতোপ্পা ষ্টেটশিংগী টেরিটোরিয়েল বাউন্দরিদা অহোংবা অমত্তা লৈহন্দবা হায়বসিনি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০১৫ গী ওগষ্ট ৩ দা ইন্দিয়া গভর্নমেন্ট অমসুং এন এস সী এন (আই-এম) না ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অমা সাইন তৌনখিবগা লোয়ননা নাগালেন্দগী খুৎলায় পায়বা লালহৌলুপ খুদিংমক য়াওহল্লগা ফাইনেল এগ্রিমেন্ট অমা সাইন তৌননবা থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখিবনি।

## বৃটিশনা কালা পানিদা লোয় ...

*লামায় ১গী মখা...* নীংশিংবগী থৌরম পাঙথোকপা ঙমদনা লাক্লি। মখোয়না মণিপুরগী নীংতম্বা ঙাক্লবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া খাঙখিবদু ঙসিগী মীরোলনা কাউফম থোক্তে খনবদগী থৌরম অসি দিপার্টমেন্টনা শীনবনি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## মুগা তীল য়োক্লবা কাব্রংচাক ...

*লামায় ১গী মখা...* থোকপদগী পাম্বীশিং অয়াম্বা মাঙখ্রগা ফৈদোম অহুমগুম্বা লৈহৌরি। দিপার্টমেন্ট অসিগী মীওই অমা লাক্তুনা পাম্বী ৫০০ রোম লৈখি। পাম্বী অমদা লুপা ৩/৩ দা লৈখি। পুখ্রি তৌদুনা ঙাসু য়োকই। মরমদি পাম্বী থাবা মতমদা তুলুনা ঈশিং চিংখৎলগা চায়নবনি। মসিদা য়ুরিয়া, পোটাসনচিংবসু হাপ্লিবনি। পুম্নমক অসি দিপার্টমেন্টনা পীবা নত্তে। মীওই মরিসু ফার্ম অসিদা থবক শুরি। নোংমদা লুপা ২০০/৩০০ দং পাবদা য়াল্লবা শেলনি। চহী অনী মখায় শুরক্লবনি। শেল ফঙগনি হায়না শুরগা শেল ফঙদবদা অশাওবা পোক্লে। শুরগা চাবনিনা চারা হেল্লে। ফার্ম অসিগী মঙলান নীংখায়বতা নত্তনা মায়কৈ অসোমদা লৈবা মীনসু থাজনদ্রে। সেরিকলচরগী মুগা তিল য়োক্লবা পাম্বী থাবা অসি ৱাইরি খুল অসিদা নোক্ননবা ওইনা থোক্লে। সেরিকলচরগী ৱারী শাবদা খুলগী মীনা তানিংদ্রে। লেন্দস্লাইদ থোকপদা মাইরেন ৫০০ রোমসু লৈনুংদা ফুমজিনখ্রে। ঙা য়োক্লিবা পুখ্রি অসিদসু কাব্রংচাক পাম্বীশিং য়াল্ল-য়াল্লগা হুন্থরে। কাব্রংচাক মনা অসি গ্রাসকর্পনা চায়। পাম্বী অসিগী মকুনা রৌনা চায়। ঙাগী মচিঞ্জাক ওইনা হৌজিক য়ান্থৎলগা পীজবা হৌরবনি। পাম্বী লিশিং ৩০ রোমদি তোঙান্না খাক্তুনা লৈরি। সেরিকলচর দিপার্টমেন্টকী মখাদা কাব্রংচাক থারগা হিংগনি অমদি শীনফম ওইগনি হায়বা অসিগী ওন্ন তৈনবদা ফার্মরশিং ৱাহনবদি চুমদে। কাব্রংচাক পাম্বী অসি চহী অমদা অনীরক নর্সরি শেম্বা য়াই, জুন-জুলাই অমদি নবেম্বর-দিসেম্বরদা অমুক শেম্বা অসিনা চহী অমদা পাম্বী য়াম্না পুথোকপা য়াই। পাম্বী অসি ষণনসু য়াম্না পাম্বা মরমনা শম্বল খাদবসু য়াদে, শেন্ননবা মীসু থমদবা য়াদে।

মমাং চহী হৌরক্লবা মতুংদা লুপা ৮০০০ অমগা ৮৫০০ গা পীরকখ্রে। লুপা ৫০০ পীবা কট্টর অমগা হিদাক চায়নবা পম্প মচা অমগদি দিপার্টমেন্টদগী লৌরুই। ফার্ম অসি তৌবদা শেল য়াম্না চঙখ্রে। চারা পুথোক্লগা চহী খুদিংগী দিপার্টমেন্টনা লৈবসু নত্তে। ঙাগী মচীঞ্জাক ওইদুনা লৈরে। রিপোর্টতি দিপার্টমেন্টদা অদুমক থাগৎলি। ঙসি ফাওবা কান্নবা ফঙলক্তবনা অৱাবা মায়োক্নরি। দিপার্টমেন্টনা ৱাকৎ তাবীবসু লৈত্রে। কাব্রংচাক থাবগী কান্নবা কনানা পীগদৌরিবনো অমদি মসিগী ৱাহন্থোক করম্বা মতমদা লাক্কনি হায়বসি তম্বা ঙমদ্রে।

দিপার্টমেন্টকী মীওই খরা মমাং চহীদা লাক্লম্লগা এদভাইস খরা তৌরম্বা খক্তনি। থবক্তি পায়খৎপীদ্রে। অতোপ্পা শীনফমদা থবক শুদুনা লৈরম্বসু থাদোক্লগা কাব্রংচাক থাবনা ফগনি খন্দুনা চঙলকখিবনি। আই সী এ আর লম্ফেলদা ত্রেনিং য়াওরুবদগী ইমান্নবা অমনা সেরিকলচরগী কাব্রংচাক থাবা কান্নৈ হায়না খোঙ থাংজিল্লুবনি। মীৎয়েং চঙবীদ্রবদি নুমিৎ ১৫ নিগী মতুংদা মীদিয়াগী মমাংদা পাম্বীশিং য়ান্থৎলগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# ইন্টরনেসনল দে ওফ গার্ল চাইল্ড থৌরম বিষ্ণুপুরদা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (ঐচএনএস): এক্সন এইদ এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়া অমদি পীপল রিসোর্ছ দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরগা খুৎশম্না শীন্দুনা সেফটি এন্দ দিভলপমেন্ট ওফ গার্ল চাইল্ড হায়বা থিমদা ইন্টরনেসনল দে ওফ গার্ল চাইল্ডগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

কিয়াম্বা নীংশিং শঙলেন বিষ্ণুপুরদা ঙরাং পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চাইল্ড ৱেলফেয়র কন্মিটি বিষ্ণুপুরগী চ্যেয়রপর্সন পি প্রেমচান্দ, পি আর দিএগী প্রসিদেন্ট ঐচ শান্তি, সেক্রেটরি এল সরঞ্জয়, এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ডা. ঐচ রোমেন, সী ও এল এল এ পি এসকী দিরেক্তর এল পিশকনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা এল সুরঞ্জয়না ফোঙদোকখিবদা, নুপীশিংগী থাক ৱাংখৎলক্লবা মতমদা চাউখৎপা খুন্নাই অমা ওইবা ঙমগদৌরিবনি। নুপীমচাশিংবু নুপামচাশিংগা মান্নবা মীৎয়েং য়েংগদবনি। মী অমা ওইবগী চপ চাবা রাইট ফঙহনগদবনি। হীরম খুদিংদা নুপীমচাশিংবু শরুক য়াহনগদবনি হায়বা খোল্লাউ মীয়াম পুন্না খঙমিন্নবগী পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা পি প্রেমচান্দনা হায়খি, নুপাশিংনা নুপীশিংবু কল্লকপা, মখোয়না অপাম্বা মওংদা শীজিন্নবা অমসুং হন্থনা খনবা কয়া তত্তনা থোক্লি। মসি ঐখোয়না পুন্না ৱাখল তামিন্নবা চঙই। নুপাশিংনা নুপীশিংবু সেক্সুয়েল এব্যুজ তৌরবা মতমদা ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী মতেংনা নুপাশিংবু চৈরাক ফঙহনবা য়াই হায়বসি খঙমিন্নবা চঙই। নুপীমচাশিংদা চথুরকপা ক্রাইম কয়াগী মায়োক্তা নুপাশিং চৈরাক ফঙহন্নবা লোকয়াসু লৈ। লোগী মতেং লৌসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ইরেংবম, ক্বাসিফাই, থাঙ্গ পার্ট টু, করাং, পি আর দি এগী ক্লষ্টর মঙাগী নুপীশিংনা শরুক য়াখি। দ্রোইং, ঈশৈ অমসুং জগোয়গী কম্পিটিসনসু পাঙথোকখি। অঙাং ২০০ হেনবনা কম্পিটিসনশিং অদুদা শরুক য়াখি। মকোক মথং তারবশিংদা মনাশিং পীখি। শরুক য়াখিবা অঙাংশিংদা কন্সোলেসন প্রাইজশিং পীখি হায়নসু মখা তারি।

## স্বাছ পখ্বাদা ফোর্টনাইটগী থৌরম লোয়শিনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (ঐচএনএস): সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতা চথুরকখিবা স্বাছ পখ্বাদা ফোর্টনাইট লোয়শিনবগী থৌরম ঙরাং সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কন্মিস্নর অথেম মুইভানা হায়খি, থৌরম অসি পাঙথোক্লি খক্তদা লূ-নানবগী থবক পাঙথোকপগী মহুত্তা মতম লৈবখিবিক্তা লূ-নানবগী থবক চথুবা তাই। লূ-নানবগী থবক অসি ইশা ইশাগী য়ুম, স্কুল অমদি ওফিসতগী হৌগদবনি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না লূ-নানবগী এক্তিভিটি অসি থা খুদিংগী ওইনা অহানবা নুমিৎতা স্কুলশিং, ওফিসশিং অমদি মফম কয়াদা পাঙথোক্লবা মীৎয়েং থমগনি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়কৈদগী সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতা মাইক্রোন ৫০ দগী পাবা প্লাষ্টিক বেগ শীজিন্নবা থিংবা লৈখ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা নাগা পীপলস ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট টি খন্বনা হায়খি, মীপুম খুদিংমক লূ-নানবা পাম্মী। অদুবু লূ-নান্নবগী থবক নীংথিনা পায়খৎতবা য়াওরি। লূ-নানবা লমদম অমা ওইনবগীদমক ঐখোয় পুম্নমক্না থৌদাং লৌমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অসিগী মনুং চন্না মমাংদা স্বাছতা পখ্বাদা রোদ রেস অমসু কারোংদগী হৌরগা সেনাপতি গ্রাউন্দ ফাওবা চেনখি। লমজেল অদু সেনাপতি ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী চ্যেয়রমেন এম এল মাক্সন্না ফ্লেগ ওফ তৌখি। স্বাছতা পখ্বাদা ফোর্টনাইটকা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা তোঙান তোঙানবা কম্পিটিসনশিংগী মনা-মথুমসু য়েন্থোকখি। রোদ রেস কম্পিটিসনদা নুপাগী কেটগোরিদা রোজি দৌ, রাজেস গুরুং অমদি কৃষ্ণগুপ্তনা মথংশিংনা অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা তাখি। নুপীগী কেটগোরিদনা দি মোসোনিনা মকোক তাখি। ইন্টর কোলেজ দিবেট কম্পিটিসন, ক্যুইজ কম্পিটিসন, এসে রাইটিং অমদি পেন্টিং কম্পিটিসনগী মনা-মথুমসু য়েন্থোকখি।

## জিরিবামদা মীয়ামগী নুমিৎ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (ঐচএনএস): মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা পাঙথোক্লুখিবগুম লালপানি গভর্নমেন্ট হায়স্কুলগী হোল, জিরিবাম স্কুল ওফিসতা মীয়ামগী নুমিৎ পাঙথোকখ্রে।

মীয়ামগী নুমিৎ অদুদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী এস পি মুবি মোইরাংথেম, এদিস্নেল এস পি, কে অজিৎকুমার অমদি ও সী জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিস বঙ্কবিহারিনা মীয়ামগী ৱাকৎ কয়া তাখ্রে। মীয়ামগী নুমিৎতা লাকখিবা মীয়াম্না তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া পুখৎনরকখি। জিরিবামগী খুঙ্গংগী মফম কয়াদা লম্বী-থোংগী ফিভম ফত্তবা, আধার কার্দ অমদি ভোট্রর কার্দকী চুমথোক চুমশিনগী ওইবা ৱাফম কয়াসু পুখৎনরকখি।

এস পি জিরিবামনা ফোঙদোকখিবদা, মীয়ামগী নুমিৎতা পুখৎনরক্লিবা খুদোংচাদবা অমদি ৱাকৎ কয়া অসি মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরদা রিপোর্ট তৌদুনা খঙহল্লগনি। জিরিবাম অসি ষ্টেট অসিগী বোর্দর লাইনদা লৈবা মফম অমা ওইরি। আধার কার্দ অমদি ভোট্ররদা মীং লানবা অমদি পোকপগী তাং লান্নবা কয়া য়াওরিবশিং অসি চুমথোকপীয়ু হায়নসু এস পি জিরিবামনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## কে ৱাই কে এলনা শেংদোরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ : থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কন্মান্দো দাগী কাঙবুনা থা অসিগী ১২ দা নেসনল হায়ৱে ১০২, থৌবাল অথোকপম খুনৌদা ফ্রিস্কিং অমদি চেক্কিং তৌবদা কে ৱাই কে এলগী এক্তিব মেম্বর অহুম ফারে হায়না পুলিসকী পাউ পল্লগা থা অসিগী ১৩ দা ফোঙবা পাউচেশিংদা য়াওনরকখিবা পাউ অদু পুল্লান লানবা ঙাক্তনি হায়না কংলৈ য়াও কন্না লূপ (কে ৱাই কে এল)গী পব্লিসিটি এন্দ রিছার্স দেপ্যুটি সেক্রেটরি থোইবা মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, পুলিসনা ফারে হায়রিবা কে ৱাই কে এলগী এক্তিব মেম্বর খাইদেম হেমজিৎ মৈতৈ (৩৬), অপোকপগী মিং কে ঐচ সনাজাওববু মখা তানা ৱাহং-পাউহং চথুবদা মহাক মশামক্কী লোয়নবী য়ুম্নাম নিংঙোল খাইদেম ওংবী বিন্দিলাতা লৈমা অমদি কৈরক ময়াই লৈকায়, বামোন লম্পাক্তগী থোঙ্গ্রাম বি কে মৈতৈ (৩৩), অপোকপগী মিং টি ঐচ ইবোয়াইমা মৈতৈবুসু মখোয় মশা-মশাগী য়ুমদগী ফারে হায়খিবদু লূপ অসিগা করিগুম্বা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে। মখোয় মীচম ঙাক্তনি।

হেন্না নোক্নিংলিবা ৱাফম অমনা কে ৱাই কে এলগা করিগুম্বা মরী অমত্তা লৈনদবা ইচম চমজবা মীওইশিং অসিদগী লূপ অসিগা মরী লৈনবা চে-চাং কয়া ফাগৎলে হায়রিবা ৱাফম অসিনি। মসিদি চাম্মদা চাম্মা মীনম্বনি। মীচম মীয়াম্বু কিহন-খঙহন্দুনা নিংতম ঈহৌবু নমথনবা হোৎনবদা মতম কয়াদগী চথুদুনা লাক্লিবা চহী অনীগী অঙাংনসু খঙগদবা মীনম্বনি হায়রি। অসিগুম্বা মীয়াম্বু কিহন খঙহনবগী লেপ্তুনা চথুরক্লিবা থৌওং অসিদগী কংলৈ মীয়াম পুম্বা চেকশিনবীয়ু হায়না সু মীয়ামদা আপিল তৌরিক্ল।

## চাইল্ড ত্রাফিক্কিংগী মতাংদা নোংমগী ওইবা কন্সলটেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (ঐচএনএস): ন্যু ইরা ইনভাইরোনমেন্টেল দিভলপমেন্ট এন্দ সোসাইটিনা শীন্দুনা নোংমগী ওইবা ব্লোক লেবেল কন্সলটেসন প্রোগ্রাম অমা মোরে পুলিস গেষ্ট হাউসতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা রিসোর্ছ পর্সন ওইনা এদভোকেট পি তোলাননা প্রিভেন্সন ওফ চাইল্ড ফ্রোম সেক্সুয়েল ওফেন্স হায়বা হীরমদা ৱা ঙাংখি। মোরেগী এস দি পি ও, কে মোলুনা রোল এন্দ রেস্পোন্সিবিলিটি ওফ স্পেসল জুবেনাইল পুলিস য়ুনিট ফোর ইফেক্তিব ইমপ্লিমেন্টেসন ওফ জে জে এক্ট হায়বা হীরমদা ৱা ঙাংখি। এন ঈ ঈ দি এসকী দিষ্ট্রিক্ট কোওর্দিনেটর ধরঙমনা চাইল্ড ত্রাফিক্কিং সিনরিও ইন মণিপুর কোজ ত্রাফিক্কিং চিলদ্রেন রিপাত্রিয়েসনগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

প্রোগ্রাম অদুদা তামিল সঙ্গম মোরে, ওল কম্যুনিটি দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন মোরে, কুকি ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন মোরে অমসুং মোরে পুলিসকী মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

এন ঈ ঈ দি এসকী দিষ্ট্রিক্ট কোওর্দিনেটর ধরঙমনা ফোঙদোক-খিবদা, মোরে লম্বী অসি এসিয়ন হায়ৱে ওইবনা লম্বী অসিদা লৈবা পুলিস চেক পোষ্ট চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা চঙই। অঙাং তোংলকপা মতমদা মমা-মপা, মরী লৈনবা চে-চাংশিং চেক তৌহন্নিংই। চাইল্ড ত্রাফিক্কিং হায়বসি চহী শুদ্রিবা অঙাংশিং মফম অমদগী মফম অমদা পুদুনা লল্লোনবা অমদি নুপামচাশিংনা থবক শুহনবা, নুপীমচা কয়ানা সেক্সুয়েলগী ওইবা থবক তৌহনবা কয়া অসিনি। অঙাংশিংগী হকচাংগী শরুক য়া য়োনবগী থবক্তগী কলহৌনবা পুলিস অমসুং কম্যুনিটি লীদর কয়ানসু অচৌবা থৌদাং লৌহনবা পাম্মী। ম্যানমারগা নক্লনা লৈবা খুল কয়াদা অহল-লমন কয়ানা চহী কয়াগী মমাংদগী চৎনদুনা লাক্লিবা কষ্টমরি লোচৎলিবা মফম কয়াদা চাইল্ড ত্রাফিক্কিংগী এৱেয়রনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকহনবা পাম্মী। মনুং হঞ্জিন্না লৈবা খুল কয়াদসু শিনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## লাগাও খাউবা অমদি হাউসি শান্নবা ...

*লামায় ১গী মখা...* শান্নবা অসি লোনসু য়াদবনিনা অকনবা এক্সন লৌখৎনবা থবক হৌরগনি। মরম অসিনা মীয়াম্নসু হায়রিবা ফেষ্টিবেলগী নামাদা লাগাও খাউবা, হাউসি শান্নফমদা য়ু থকচিল্লগা খৎন-চৈনবা থোক্লকপা অমদি নুপীনা লাগাও খাউবা য়াওশিল্লকপশিং অসি থিংনবা এক্সন লৌখৎপা হৌরগনি হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মোরে টাউন্দা দিৱালি কুম্মৈগী মাঙওইননা তোঙান-তোঙানবা মফমদা লাগাও খাউরম্বা মীওই কয়া ফাগৎপগা লোয়ননা মখোয়দগী লাগাও মরু ৬০ অমসুং লাইয়ুম অহুম্নচিংবা ফাগৎলগা মীয়াম মাঙদা শিংজংনা য়ান্দুনা থুগায়দুনা মাঙহনখ্রে। পুলিসকী দ্রাইব অসি মখা তানা চথখিগনি হায়রি। অদুমকপু তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিংদা হৌজিকসু পাক শন্না লাগাও শান্নবা লেপত্রি হায়রি।

## মীয়ামগী নুমিৎতা সী এমনা মীওই ...

*লামায় ১গী মখা...* ইন্টরনেসনল ফিল্ম ফেষ্টিবেল ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগীসু চেরোল অমা থারকপা লৈখ্রে। মসিনা মণিপুরগী ফিল্ম অমসুং আর্ট এন্দ কলচরগী প্লেটফোর্ম অমা মপানগী মীয়াম মমাংদা শেমগৎনবগী তাঞ্জা অদু ফঙবা ঙমগনি হায়বা ৱাফমসু ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী মীওইশিংনা চীফ মিনিষ্টরদা পুখৎখি।

ঙসি চীফ মিনিষ্টর উনবা লাকখিবা থোংজুদগী নুপী অমা মশা ঙল্লক্তবদগী সী এম সেক্রেটরিয়েটতা লৈরিবা মেদিকেল টিমনা লায়েংখি। নুপী অদুনা ফোঙদোরকপদা, মহাক দাইবেটিসকী পেসেন্টনি। কিদনি নাম্মসু পোমখৎতুনা লায়কন্নরিবনি। মণিপুরগী হোস্পিটালশিংদা লায়েংলুবদা মপান লমদা পুদ্রবদি য়াররোই হায়না ডোক্তরশিংনা হায়রকপদগী চীফ মিনিষ্টরদা মতেং পাঙবীনবা হায়জবা লাকখিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

নুপী অদু য়াম্না শোন্না লাকপা মরম্না রিমস নৎত্রগা জেনিমসতা পুখৎনবা চীফ মিনিষ্টরনা ওফিসলশিংদা খঙহনখি।